# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা এন.সি.সিগী এ.দি.জি- মেজর জেনেরেল গগনদিপকা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা এন.সি.সিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা আইনা কায়না লম খোপচিন্দুনা য়ুম শাজিল্লম্বশিং থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়রি।

অমসুং

৩) অসামদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম ফগৎলক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ দা ঈচাউনা মরম ওইদুনা মীওই ৫ লৈখিদে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা শিল্লোংদা বেজ তৌবা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন দাইরেক্তোরেটকী এন.সি.সিগী এ.দি.জি- মেজর জেনেরেল গগনদিপকা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা এন.সি.সিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

এ.দি.জিনা রাজ্য অসিদা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবগা লোয়ননা ঈচাউ অমদি সেক্যুরিতিগী ৱাফম কয়া লৈরবসু এন.সি.সি গ্রুপ ইম্ফালনা রাজ্য অসিগী জিলা ১৬ তা কেদেট লিশিং ৭,২০০ দা এন.সি.সিগী ত্রেনিং পীখ্রে। শ্রী

গগনদিনা এন.সি.সিগীদমক্তা লৌখৎপা থৌরাং অনি- লাইহ্‌রা অমসুং য়ুব ভাগিদারিগী মতাংদসু পাউদমখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা রাজ্যপালনসু এন.সি.সিগী ট্রেনিংগীদমক পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়খি। রাজ্যপালনা রাজ্য অসিগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা নহাশিংবু জাতি অসিবু চাওখৎনবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা অমদি মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল লৈহন্নবা এ.দি.জিদা মখোয়বু ট্রেনিং পীনবসু খঙহনখি।

অমরোমদা, রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা এ সেন্তর ফোর থিয়েটর রিছার্স প্রদক্সন এন্দ কম্ম্যুনিতি ৱেলফ্যার, খেনজোংলাংগী প্রসিদেন্ট থানিল লৈমাগা রাজ ভবনদা উন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক থিয়েটর সেন্তর অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবশিং অদুগী মতাংদা খন্নখি।

নিংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্তরদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১৫ নিগী সম্মর চিলড্রেন থিয়েটর ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা রাজ্যপাল শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিলিফ কেম্পকী অঙাং ১২০ অমসুং মখোয়গী মমা মপাশিংগা ডন্নদুনা ৱারী শান্নবদা রাজ্যপালনা অঙাংশিংবু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখোয়গীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীরমখি।

ঙরাং উন্নবা অদুদা খেনজোংলাংনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখল ফগৎহন্নবা থিয়েটর ৱার্কসোপশিং পাঙথোকবা রাজ্যপালনা পাউতাক পীখি। মদুদা রাজ্যপালগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফনা থমবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা

হুন্বগী থবক লেপ্তনা চথুরি। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিরিবাম জিলাগী মোংবুং খুলদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা কন্ত্রি মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নোংমৈ মরুশিং, মেগজিন খরা, ৱাঙ্কি টৌঙ্কি, লোকেল মেদ এক্সপ্লোসিভ বোম ৭ অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী পাঙলতাবী এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা মোর্তার সেল অমসুং গ্রেনেদশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়না হেদক্বাটরস ইন্সপেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলস (সাউথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে টুদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৮ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা লাকখ্রে।

ইভিক্সন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সরকারগী লমদা আইনা কায়না লম খোপচিন্দুনা য়ুম শাজিল্লম্বশিং থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমনথেম দাইনানা হায়রি।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা য়ুম শাজিনবদগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অৱাবা মায়োকহল্লে, লম্বী চিনবগী চাং হেনগৎহল্লে, ইরম নালাশিং ফুনজিল্লে। মরম অসিনা নেসনেল হাইৱে, ষ্টেট রোডস, ইন্তর ভিলেজ রোডস, তুরেল খোঙবান অমসুং দ্রেনশিংগী মথক্তা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা য়ুম শাজিল্লিবশিং হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লৌথোক্ত্রবদি আইনগী ওইবা থবক পায়খৎলগনি।

কেমিষ্ট (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোকখিবা ঈচাউ অদুনা মরম ওইরগা ঈশিং থুমজিল্লুরবা হিদাক লাংথকশিং য়োনদনবা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী দ্রগ কন্ট্রোল এদমিনিষ্ট্রেসন্না চেরোল অমনা মেদিকেল ষ্টোরশিংদা

খঙহল্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- করিগুম্বদা ঈচাউ নংখ্রবা হিদাক লাংথকশিং য়োল্লম্বা থেংনরবদি আইনগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ লিলোং হাওরৈবী কলেজগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমদি লিটররি ক্লব অনিনা শিন্দুনা অহুম্লকসুবা ইন্তর কলেজ দিবেৎ কম্পিতিসন কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিত ত্রাফিক্কিং ২০২৪ গী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা কম্পিতিসন অদুদা মহৈরোই ১৪ না শরুক য়াখি।

অসাম ঃ অসামদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লি। রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক্কী মখাদা চেল্লে। হৌখিবা পুং ২৪ দা ঈচাউনা মরম ওইদুনা মীওই ৫ লৈখিদে। রাজ্য অসিদা অনিরকসুবা থোক্লিবা ঈচাউনা লৌবুকশিং অমদি মহৈ মরোংশিং, ঙাগী ফার্মশিং, লম্বী-থোংনচিংবা কয়া অমাং অতা থোক্লে। ঈচাউ অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌবদসু চাউনা অপনবা পীরে। রাজ্য অসিগী ঈচাউগী ফিভম খরা ফগৎলবসু জিলা ২৭ কী মীওই লাখ ১৪ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা চান থকবা অমসুং অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীরি। কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্কতা ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা লম্লক্কী শা ১৬০ হেন্না শিখ্রে।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং দুরান্দ কপ তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ত্রোফিশিংগী মায়খুম হাংদোকখ্রে। ত্রোফিশিং অদুগী দুরান কুপ, প্রসিদেন্টস কপ অমদি সিম্লা ত্রোফি য়াওরি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকখিবা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- মালেমদা ফুটবোল মশান্না অসি খ্বাইদগী হেন্না শকখঙনবা মশান্না অমনি। লাক্কদৌরিবা দুরান্দ কপ তুরনামেন্ট ২০২৪ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা

শান্নরোইশিংদা রাষ্ট্রপতিনা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা মহাকা হায়- মায় পাকপা অমসুং মায়থিবা য়েংদনা শান্নরিবা অদু পুকিং চংনা অমদি নিংথিনা শান্নগদবনি। ভারত্তা ফুটবোল মশান্না অসি হেন্না মাংজিল থাননবা ফুটবোলবু পামজরিবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নশি হায়নসু রাষ্ট্রপতিনা আপীল তৌরি।

মীখল ঃ লৈবাক অসিগী রাজ্য ৭ তা বিধান সভা সিট ১৩ গী মরক্তী মীখলগী ভোৎ ঙরাহ্ থাদনখ্রে। মীখল পাঙথোক্লিবা রাজ্যশিং অদুদি- নোংচুপ বেঙ্গল, পঞ্জাব, বিহার, তামিলনাদু, মধ্য প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশনি। ভোৎ মশিং থা অসিগী ১৩ দা থীগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ইকজিক্যুতিভ মীফম পাঙথোকখিবা, ২৪ শুবা নেসনেল ফিস ফার্মরস ডে পাঙথোকখিবা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিং- হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- মণিপুরগী রুলিং অমসুং ওপোজিসন ইলেক্সন মমাংদা অৰাই অখুম, মতুংদা চীন কাংজৈ হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেসকী অৰাই অখুমগী পাউশিং ফোংলি।

রাহুল গান্ধিগী খোঙচৎকী মতাংদা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমনা শিরক্লিবা মরাল য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়বা কাংগ্রেসকী ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী শেম্বা লেপখ্রে, মণিপুরগী খ্বাইদগী ফত্তবা লম্বীশিংগী মনুংদা য়াওরে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেদা- মণিপুরগী ইরাং ৱারোইশিন পুরকবা নাকল অনিমক্কী মীহুৎশিং ৱারী শাবগী থবক চথবা হৌরে হায়বা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অমসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এন.আই.এনা ফাখিবা কুকি লালহৌবা অহুম ইলেক্ট্রিক্ট টৱার থুগাইবদা হকথেংননা চেন্নরমলে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকিগী মী ফাবদা ভেল্লিদা পুহনবীগনু হায়না কিমনা প্রাইম মিনিষ্টরদা চিঠি ইখ্রে হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ওপরেসনদা য়াল্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে, জিরি, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুরদগী এ.কে. রাইফল য়াওনা নোংমৈ অমসুং মরুশিং ফাখি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

২৪ রক শুবা নেসনেল ফিস ফার্মরস ডে পাঙথোকখিবগী পাউসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি-জোশিংনা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়বা পাউ অমসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নরনা আর্টিষ্টশিং অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------